# ‘টেররগী কিহল্লকপা খুদিংমক মফম অমদা, রেঞ্জ অমদা অমসুং লেভেল অমদা হেক্তা পাউখুম পীগনি’




*ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৩(এজেন্সি)ঃ*
হৌখিবা চহী ৩দা লৈখিবা মশীংদগী শরুক অনী হেন্না টেরর এটেক তৌরকফমদা টেরোরিষ্ট ৫০০ রোম ইন্দিয়াদা চংশিল্লক্নবা ঙাইদুনা লৈরি, অমসুং মিলিটরিনা মফম অমদা, রেঞ্জ অমদা অমসুং লেভেল অমদা হেক্তা পাউখুম পীনবা থৌরাং তৌরি হায়না লিখুনশিংনা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

হন্দক্কী চহী অসিগী ফেষ্টিভেল মতম অসিদা মমাঙগী চহীশিংদগী হেন্না শাথিবা অচৌবা টেররগী কিহনবা অমা থোক্লকপা য়াবগীদমক সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা থৌরাং তৌদুনা লৈ হায়রি।

ঙসি অয়ুক আর্মি চীফ জেনরেল বিপীন রাৱাতনা হন্দক্তা পাকিস্টাননা বালাকোটতা লৈরিবা টেরর কেম্প অদু অমুক হীংগৎহন্দুনা থবক হৌহনখ্রে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি। বালাকোট হায়রিবসি জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পুলৱামাদা ইন্দিয়াগী লান্মী ৪০ হাৎখিবা সুইসাইদ এটেক অমগী পাউখুমদা ফেব্রুৱারীদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা পাকিস্টান মনূংদা পাইশিল্লগা বোম থাদখিবা টেরর কেম্পকী লৈফম অদুনি।

জেনরেল রাৱাতনা হায়খি, লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা টেরর কেম্পশিং থবক চথ্নদুনা লৈরি। টেরোরিষ্ট ৫০০ রোমনা ইন্দিয়াদা চংশিল্লক্নবা ঙাইদুনা লৈরি। বালাকোট টেরর কেম্প থবক অমুক হৌখিবগী পাউ অদু নুমীৎ ৪নিগী মমাঙদা লাকখিবনি হায়না লিখুলশিং অসিনা হায়রি।

হন্দক্কী অসিদা টেরোরিষ্টশিং অদুনা কিহল্লিবগী মওং অদু অতৈ চহীশিংদা ফেষ্টিবেল সিজনগী মাঙওইননা লৈখিবা ফিভমদগী য়ান্না হেন্না শাথিবা ওইরি হায়না মখোয়না ফোঙদোক্লি।

ঐখোয়গী পাউখুম লেভেল খুদিংমক্তা, রেঞ্জ খুদিংমক্তা অমসুং মফম খুদিংমক্তা পীগনি। মতিকচাবা থৌরাংশিং শেম-শাদুনা লৈরে হায়না আর্মি লিখুনশিংনা পাউগী এজেন্সিদা হায়রি। দিফেন্সিব ওপরেসনশিংগীদমক শ্রীনগরদা লৈরিবা ১৫শুবা কোর অসিখক্তা নৎতে হায়না মখোয়না ফোঙদোকখি।

মফম খুদিংমক্তা মতিকচাবা ফোর্সশিং লৈরি, অদুবু হৌজিকমক্কী ওইনদি ট্রুপশিং থাজিন্দ্রি। টেরোরিষ্টশিংনা ইন্দিয়া মনূংদা চংশিল্লকপা য়াবা ফিভম অসি সেক্টরগী মখা পোন্না নবেম্বর থাদগী হৌই। সেক্টরশিং অদুদি গুরেজ-কার্গীল -মাসিল-কেরান-টাংধর-উরি অসিনচিংবনি। হায়রিবা সেক্টরশিং অসিদা টেরোরিষ্টশিংনা চংশিল্লকপা অসি উন তাবগী মখা পোল্লি অমসুং ইনফিলট্রেসনগীদমক অতোপ্পা লম্বী অমা হাংদোকপগী মখা পোল্লি হায়না আর্মি লিখুলশিংনা ফোঙদোক্লি।

ঙসি অয়ুক আর্মি চীফনা চেন্নাইদা ৱা ঙাংবদা বালাকোট টেরর কেম্প অমুক হীংগৎহল্লকখিবা অদুগী পাউখুম অদু ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা ফেব্রুৱারী ২৬তা বালাকোটতা এটেক তৌখিবা অদুগা মান্নব্রা হায়না হংলকখিবদা -নখোয়না চপ মান্নবা অমা হল্লক্কনি হায়না খল্লিবা করিগীনো, ঐখোয়না করিগুম্বা খরা হান্না তৌখ্রে, ঐখোয়না বালাকোটকী থবক অদু তৌখ্রে, ঐখোয়না মদু করিগুদমক অমুক হনগদৌরিবনো হায়না পাউখুম পীখি।

মখা তারদুনা, ঐখোয়না করি তৌরক্কনি হায়না অতোপ্পা নাকন অদু ঙকহনদুনা থম্লোইদবগী মরম করিগীনো। ঐখোয়না তৌগদৌরি হায়না মখোদা হায়গদৌরিবগী মরম করিগীনো। মদুদগী হেন্না করিগুম্বা খরা করিগী তৌরোইদৌরিবনো হায়না জেনরেল রাৱাতনা পাউখুম পীখি।

# অনকপদা চথ্নরকখিবা অফগান আর্মিগী রেইদ অমদা য়ামদ্রবদা লুহোংবা য়াওবা মীচম ৩৫ শিখ্রে



*কাবুল, সেপ্টেম্বর ২৩(এজেন্সি)ঃ*
অফগানিস্টানগী খা থংবা হেলমন্দ প্রোভিন্সতা লূহোংফম অমগী মনাক্তা লৈবা মিলিটেন্ট লোৎফম অমদা অফগান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা চথ্নবা রেইদ অমদা বোম পোকখাইবশিং অমসুং নোংমৈ কাপ্পদা য়ামদ্রবদা লূহোংবা অদুদা য়াওবা মীচম ৩৫ শিখ্রে অমসুং ১৩ শোকখ্রে হায়না ওফিসিয়েল অনীনা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংগী অফগান ফোর্সশিংগী এটেক অদুনা নোংমৈ কাপশিল্লিবা য়ুম অদুগী হেক থংনবদা টালিবাননা সুইসাইদ বোম্বরশিং ট্রেনিং তৌবদা শিজিন্নবা য়ুম অদু লৈরমখিবনি হায়না ওফিসিয়েলশিং অদুনা হায়খি।

ওপরেসন অদুদা টেরোরিষ্টশিং অদুগী সপ্লাই অমসুং ইক্যুপমেন্টকী অচৌবা থম্ফম অমসু থুগাইখ্রে হায়খি। ফোরেন মিলিটেন্ট অমনা সুইসাইদ ভেষ্ট অমা পোকখায়হল্লকপদা মহাক অমসুং মাগী অকোয়বদা লৈবা নুপী অমা য়াওনা মীওই খর শিখি হায়না অনীশুবা অফগান দিফেন্স মিনিষ্ট্রি ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

কম্পাউন্দ অদু সুইসাইদ বোম্বরশিং ওইনবা মশানা য়াবা নুপী অমসুং নুপাশিং ট্রেনিং তৌবদা শিজিন্নবনি। এটেক অদুদা মীচমশিং শোকখি হায়বদু মখোয় খঙই হায়না মহাক্না হায়খি।

মুসা কালা দিষ্ট্রিক্টকী খাকসর এরিয়াদা এটেক মফম অদুগী মনাক্তা লূহোংবা অদুদা য়াওবা মীচম ৩৫ শিখ্রে অমসুং ১৩ শোকখ্রে হায়না হেলমন্দ প্রোভিন্সিয়েল কাউন্সিলগী মেম্বর অত্তাউল্লাহ অফগাননা হায়খি।

অতোপ্পা প্রোভিন্সিয়েল কাউন্সিল মেম্বর অমনদি লোয়নমক মীচম ওইবা মীওই ৪০ শি হায়খি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমনদি অপূনবা ওপরেসন অমদা টালিবান মেম্বর ২২ শিরে অমসুং ১৪ ফারে। ফারবশিংদুগী মনূংদা পাকিষ্টানি ৫, বাংলাদেসি ১ য়াওই হায়খি।

য়ু এস ফোর্সশিংনা ঙাক্লৌ পীবা অফগান লান্মীশিংনা মুসা কালা দিষ্ট্রিক্টতা নুমীদাংদা নোংথক্তগী এটেক অমা চথ্নরকখি। মদুগা লোয়ননা লৈমাইদা অফগান ফোর্সশিংগা মখোয়গী ফাইটরশিংগা খূৎ থোক্লুখি হায়না টালিবাননা হায়খি।

লূহোংবা থৌরম অমা য়াওবা মীচম কয়ামরুম অমসুং অফগান ফোর্সশিংগী মেম্বর ১৮ খূৎ থোক্নবদুদা শিখ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা টালিবাননা হায়খি।

# ওক্টোবর ২দা কোংগ্রেস খোঙচৎ দিল্লিদা সোনিয়া গান্ধীনা, রাহুলনা মহারাষ্ট্রগী ৱার্ধাদা লূচিংগদৌরি

*ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৩(এজেন্সি)ঃ*
কোংগ্রেসনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা পার্টিগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্দীনা দিল্লিদা, অদুগা হান্নগী পার্টি প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা মহারাষ্ট্রগী ৱার্ধাদা লূচিংগদবা য়াওনা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎনবা লাওথোকখ্রে।

পার্টি অসিনা ওক্টোবর ২ মহাত্মা গান্ধীগী ১৫০শুবা মপোক নুমিৎ থৌরমদা খোঙচৎ অদু পাংথোক্লুবা থৌরাং তৌখ্রে।



খোঙচৎ অদুদা পার্টি জেনরেল সেক্রেটরি প্রিয়াঙ্কা গান্ধীগী থৌরম হৌজিক ফাওবা লেপত্রি। ওক্টোবরগী মীখল পাংথোক্কদৌরিবা হরিয়ানাদা থৌরম অদু য়াওরবা য়াই হায়রি। বিহার প্রদেশ কোংগ্রেস কমিটিনসু মহাত্মা গান্ধীনা ১৯১৭দা মহাক্কী অহনবা শত্যগ্রহ পাংথোকখিবা চম্পারনদা প্রিয়াঙ্কা গান্ধীবু পুনবা থৌরাং তৌরি। উত্তর প্রদেশ য়ুনিটনসু খোঙচৎ অদুগীদমক মহাকপু য়াওহন্নবা হোৎনরি হায়না পার্টিগী লূচিংবা অমনা হায়খি।

হৌজিক ফাওবগী চাওরাকপা থৌরম-পরেং মতুং ইন্না সোনিয়া গান্ধীনা দীন দয়াল উপধ্যায় মার্গতা লৈবা দিল্লি প্রদেশ কমিটি ওফসিতগী রাজঘাততা খোঙচৎ অদু চৎকনি হায়না পার্টি লূচিংবা অদুনা হায়খি।

কিলোমিটর ৩ লোম শাংবা খোঙচৎ অদু অতৈ পার্টিগী সেনিয়ার লূচিংবা কয়ানা চৎকদবনি। মদু মায় পাকহন্নবা থৌরাংশিং লাঙলি হায়না লূচিংবা অদুনা মখা তাখি।

অতোপ্পা নাকন অমদা পার্টি অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ওক্টোবর ২দা ৱার্ধাদা পাংথোক্কদবা খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াগনি হায়রি।

থৌরম পরেং অদু হৌজিক অরোইবা তাঙ্ককতা লৈরে। হায়রিবা নুমিৎ অদুমক্তদা রাহুল গান্ধীনা মহারাষ্ট্রদা এসেমব্লি মীখলগী কেম্পেন অদুসু হৌদোক্লবা য়াই হায়না পার্টিগী লীখুল অমনা ফোঙদোকক্লি।

ওক্টোবর ২১দা মহারাষ্টা অমসুং হরিয়ানাগী এসেমব্লি মীখলশিং পাংথোক্কদৌরিবনি।

# ‘মেদিকেল মহৈরোইশিং চহী ২ খূঙ্গংদা থবক তৌগদবনি’

*লখনৌ, সেপ্টেম্বর ২৩(এজেন্সি)ঃ*
উত্তর প্রদেশতা গভর্ণমেন্ট মেদিকেল কলেজশিংদগী এম বি বি এস দিগ্রী ফংলকখ্রবা ডোক্টরশিংনা করিগুম্বা মখোয়না হেন্না থাক ৱাংবা ষ্টদিশিং তমথখিদ্রবদি খূঙ্গংশিংদা চহী ২ থবক তৌগদবনি হায়না ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যনাথনা হায়খ্রে।

আয়ুশমান ভারত দিবসকী অহানবা চহী ১ ফারকপগী লখনৌদা পাংথোকপা থৌরম অমদা মহাক্না হায়খি, এম দি অমসুং এম এস তম্বশিংনা খূঙ্গংগী লমদমশিংদা চহী অমা থবক তৌগনি। ডোক্টরশিং অদুনা বোন্দশিং মেনশিনগদবনি। এম দি অমসুং এম এস তৌখিবশিং অদুসু খূঙ্গংগী লমদমশিংদা চহী অমগীদমক থবক তৌগদবনি। ইন্টর্নসিপকীদমক গভর্ণমেন্টতা কনাগুমবা অমত্তনা ৱানোম্বা - খূৎনোম্বা য়াহল্লোই হায়না চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি।

প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা যোজনাগী মায় পাকপগী মতাংদা চেৎনা পল্লদুনা যোগী অদিত্যনাথনা স্কিম অসিনা ইমূং ক্রোর ১.১৮ লোম কান্নবা ফংহনখ্রে। ইমূং লাক্ষ ৮.৪৫পু সি এম জন অরোগ্যা যোজনা স্কিমগী কান্নবা ফংহনখ্রে। মসিদা নত্তনা মী খাক্ষ ১.৮৯দা গোল্ডন কার্দশিং য়েন্থোকখ্রে হায়খি।

হেল্‌থ দিপার্টমেন্টনা লৌনগনবা লায়নাশিং লাকশিনবদা অফবা থবক অমা তৌখ্রে। নীংতম্বা ফংলবা মতুং অহানবা ওইনা অসিগুম্বা পাকচাওরবা চাংদা মীয়ামগী সোসিয়েল সেক্যুরিটি পীবা ঙল্লে। মসি মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা হকশেলগী থৌরাংনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।



মেদিকেল সেক্টরদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা তৌখিবা থবক পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা ১৯৪৭দগী ২০১২ ফাওবগী মরক্তা সুপ্নগী মেদিকেল কলেজ ১২ খক লিংখৎখি। গভর্ণমেন্ট অসিনা ষ্টেটকী মফম কয়াদা অনৌবা মেদিকেল কলেজ ১২ লিংখৎলি, মসিগী মনূংদা কলেজ ৭তি হান্ননা হাংদোকখ্রে হায়খি।

মসিগী মথক্তা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা লাইফ সপ্পোর্ট এম্বুলেন্সশিং পীখ্রে অমসুং হেন্না ফবা হোস্পিটালশিংদা মী লাক্ষ ১ হেন্না লায়েঙবা ঙমহনখ্রে হায়খি। আয়ুশমান ভারত দিবসকী অহানবা চহী ফারকপগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা আয়ুশমান ভারত যোজনাগী বিনিফিসরি ৪০ তরান্না ওকখি। মসিগা লোয়ননা কোফি টেবল বুক অমা অমসুং হোস্পিটাল বুকলেট অমসু ফোঙখি।

# যাদবপুর য়ুনিভর্সিটিদা মহৈরোইশিংগা পুলিসকা খূৎ থোক্লখ্রে



*কোলকতা, সেপ্টেম্বর ২৩(এজেন্সি)ঃ*
য়ুনিয়ন মিনিষ্টর বাবুল সুপ্রিয়োদা শগোলশেল নুমিৎতা খূৎ থাখিবা অদুগী মতাংদা বি জে পিগা মরী লৈনবা মহৈরোইশিংগী গ্রুপ অখিল ভারতিয়া বিদ্যার্থি পরিষদকী প্রোটেষ্ট অমদা ঙসি কোলকতাগী যাদবপুর য়ুনিভর্সিটি মপান্দা হীংশা থোকখ্রে।

য়ুনিভর্সিটি গেটশিংগী মপান্দা পুলিস লাক্তুনা বেরিকেদশিং থল্লকখিবদা মহৈরোইশিং অদুনা পুলিসতা নুংনা থাবা হৌখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর বাবুল সুপ্রিয়োবু সি পি এম মহৈরোইশিংগী গ্রুপ অমা ওইরিবা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এস এফ আই)গা মরী লৈনবনি হায়বা মহৈরোইশিংনা খূৎ থাখিবনি। মখোয়না ঐগী শম চীংদুনা ঐবু ইনখি হায়না মিনিষ্টর সুপ্রিয়োনা হায়খি।

মফম অদুদগী ফংবা ভিদিওশিংনা য়াল্লবা মহৈরোইশিংগী খূৎপু অমনা মিনিষ্টরবু কোয়শিন্দুনা থম্বদু উৎলি। ফুরিৎ ফাওবা কুদাম তৎতুনা ইহাং-হাংলবা মিনিষ্টর অদু লানগী মতৌগুল্লবা মহৈরোই গ্রুপ অমনা কোইন-ইন্দুনা পুবা উই।

গভর্ণর’সকী ওফিসনা থৌদোক অদুবু ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী য়ান্না শাথিবা মমি অমনি হায়খি। করিগুম্বা য়ুনিভর্সিটি ওথোরিটিজনা হোৎনরম্লবদি ফিভম অদু লায়না লাক্সিনবা য়াবনি হায়না মিষ্টর সুপ্রিয়োনা ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা মথোঙ হুক্তবা থবকশিং চথ্নখিবশিং অদু সি পি এমগা মরীলৈনবশিংনি হায়রদুনা ষ্টেটকী লৈঙাক পায়রিবা ট্রিনামুল কোংগ্রেসনা থৌদোক অদুদা ট্রিনামুল নৎত্রগা পুলিস য়াওদে হায়খি।

ষ্টেট অসিগী এদুকেসন মিনিষ্টর অমসুং সেনিয়ার ট্রিনামুল লিদর পার্থ চেত্তরজিনসু গভর্ণরনা গভর্ণমেন্টপু করিগুম্বা পাউ অমত্তা পীরমদনা নৎত্রগা ফিভম অদু লাক্সিন্নবা ষ্টেট ওথোরিটিজদা তাঞ্জা অমত্তা পীরমদনা রেস্ক্যু তৌনবগীনি হায়বা মিসন অমদা চৎখিবনি হায়খি।

য়ুনিভর্সিটি অসিগী আর্টস ফেকলটি ষ্টুদেন্স য়ুনিয়ন (এ এফ এস য়ু)না শগোলশেল নুমিৎতা তৌফম থোক্তবা থবক তৌবগী মরান শীরদুনা বাবুল সুপ্রিয়োগী মথক্তা পুলিস কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎখ্রে।

এ ভি বি পিগী মেম্বর ৫গী মথক্তসু নুপীশিং য়াওনা মহৈরোইশিং ফুখিবা অমসুং য়ুনিভর্সিটিগী লন-থুম থুগাইবগীদমক কমপ্লেন্ট অমসু থাঙ্গৎখ্রে।

# য়ু এসকী মায়োক্তা ইরানগী শৌগৎপা ফংনবা হাসন রৌহানি য়ু এন খোঙচৎকীদমক টেহরান থাদোকখ্রে

*টেহরান, সেপ্টেম্বর ২৩(এজেন্সি)ঃ*
প্রসিদেন্ট হাসিন রৌহানিনা থীনা য়েঙথিনবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটতগী পীথরকপা তমথিবা শাফুগী মায়োক্তা ইরানগী শৌগৎপা ফংনবা মিসন অমদা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লি শরুক য়ারুনবা ন্যু য়োর্ককীদমকী ঙসি টেহরান থাদোকখ্রে।



মহাক্কী ফ্লাইট তোংখৎত্রিঙৈগী মমাঙদা পাউমীশিংদা প্রসিদেন্টনা মখোয়দা য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসননা ভিসাশিং পীনিংদ্রবা ফাওবদসু য়ু এনগী মীফম অদুদা মাগী দিলিগেসন অসি চৎলে হায়খি।

অমেরিকানশিংনা ইরানবু শরুক য়াহনবা পামদ্রবসু ঐখোয়না নমদুনা চৎনবা হোৎনরি। য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিদা শরুক য়াবা হায়বসি ঐখোয়গীদবক মথৌ তাই অমসুং তোঙান তোঙানবা থাক্তা ৱারী শান্নবা মথৌ তাই হায়না প্রসিদেন্ট রৌহানিনা টেহরানগী মেহরাবাদ এয়ারপোর্টতা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি।

ইরানিয়ান নেসন অসিগী মায়োক্তা লৌখৎলকখিবা তমথিবা থবকশিং অদু অমসুং ঐখোয়গী লমদম অসিনা মখোয়গা মায়োক্লরিবা অরুবা অমসুং চয়েৎনরবা ৱাথোকশিং মালেমগী মীয়াম অমসুং লৈবাকশিংদা শন্দোক্লা তাকপা মথৌ তাই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইরাননা গল্ফ সেক্যুরিটিগী থৌরাং অমা লৈ হায়রদুনা ইরাননা কনাগুম্বা অমত্তবু ঐখোগী ঙমখৈশিং থুগাইনবা হোৎনরকপা য়াহল্লোই হায়না ১৯৮০-১৯৮৮কী ইরাককা থেংনখিবা ইস্লামিক রিপব্লিক অসিগী লান অদু হৌবগী নীংশিংবা থৌরমদা ঙরাং টেহরানদা ৱা ঙাংবদা প্রসিদেন্ট হাসন রৌহানিনা হায়খি।

য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিদা মহাক্না গল্ফতা শান্তি থন্নবগীদমক ইরানগী থৌরাং অমা পুথোক্কনি হায়না রৌহানিনা হায়খি।

হোরমুজ পীস এনদেভর নৎত্রগা ঐস ও পি ই (হোপ) হায়না মিংথোনবা থৌরাং অসিগী মখাদা পার্সিয়ান গল্ফকী তোৰ্ব্বানদা লৈরিবা ষ্টেট পূন্নমক রিজনেল সেক্যুরিটি পীনবা অমসুং ঙাক্তুনা থন্নবা কোলিসন অসিদা য়াওনবা বার্ত্তন তৌগনি হায়খি।

# ফাজিনখিবা বৃটিস টেঙ্কর চৎখিবা য়ারগনি ঃ ইরান

*টেহরান, সেপ্টেম্বর ২৩(এজেন্সি)ঃ*
ইরাননা গল্ফতা ফাদুনা থম্লকখিবা বৃটিস ফিরান থেৎপা ওইল টেঙ্কর অদু থা ২ হেনবগী মতূংদা মনিংতন্না চৎখিবা য়ারগনি হায়না ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইরাননা ফোঙদোকখ্রে।

ওইল টেঙ্কর অদু চৎপা য়ানবগী আইনগী তৌফম থোকপা পূন্নমক লোয়শিল্লে অমসুং মদু চৎখিবা য়ারগনি হায়না পাউগী কনফরেন্স অমদা গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাংলোই আলি রাবিয়েনা হায়খি।

স্বেদিসনা মপু ওইবা জহাজ অদু করম্বা মতমদা চৎখিবা য়াহনগদৌরিবনো হায়বদুদি মহাক্না মরীকচুন্না ফোঙদোক্লমখিদে। ইস্লামিক রিভোলূসনরি গার্দ কোরনা জুলাই ১৯দা ষ্ট্রেট ওফ হোরমুজদা ষ্টেনা ইম্পেরো মিংথোনবা ওইল টেঙ্কর অদু কোয়শিনখিবনি।

ঙা ফাবা হি অমা থোমগাইরল্লবা তুংদা মমাই লৈথোক্তুনা চৎখিবা অমসুং দিসষ্ট্রেস কোলশিংদা পাউখুম পীরক্তবগীদমক ইরানগী বন্দর অববাস পোর্টতা জহাজ অদু মরান শীদুনা ফাখিবনি।

ওইল টেঙ্কর অদুগী মপু ওইরিবা কম্পেনি ষ্টেনা বল্ককী চীফ একজিক্যুটিব এরিক হানেলনা স্বেদিস টেলিভিজন ষ্টেসন এস ভি টিদা জহাজ অদু পূং খরগী মনূংদা থাদোক্লক্কনি হায়না ঐখোয়না অশা তৌই। ঐখোয়না জহাজ অদু ইরানগী ঈশিং লমদগী শোয়দনা থোক্লকপদুখক পাম্মী হায়খি। বৃটিস ওভরসিজ টেরিটোরি গিব্রালটরদা ইরানগী ওইলটেঙ্কর গ্রেস ১ ফাদুনা থমখিবগী পূং খরগী তুংদা বৃটিস টেঙ্কর অসি ইরাননা অমুক ফাজিনখিবনি।

# চহী ৫৪গী তূংদা, অনৌবা এম এল এ অমা খন্নবা কেরেলাগী পালা কনষ্টিট্যুয়েন্সিগী ভোট থাদনখ্রে

*পালা, সেপ্টেম্বর ২৩(এজেন্সি)ঃ*
কেরেলাগী পালা এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সিগী মরক্কী মীখলগীদমক ঙসি অয়ুকতগী ভোট থাদবা হৌখ্রে, নুংথিল পূং ৬তা ভোট থাদনবা অদু লোয়শিনখ্রে। ইরাই নুমিৎতা ভোট মশীং থীগনি।

ভোট থাদনখিবা পূং ২গী মতূং অয়ুক পূং ৯ তাবদা ভোটরশিংগী চাদা ১২.২না মখোয়গী ভোটশিং থাদনখ্রে। চাওরাক্লা ভোটর ১,৭৯,১০৭ লোন্না মীখল অসিদা কন্টেষ্ট তৌনরিবা মীরেপ ১৩দগী মখোয়গী অপাম্বা অদু খন্নবা ভোট থাদনখি।

এসেমব্লিগী মরক্কী মীখল অসি কেরেলা কোংগ্রেস (মনি)গী এম এল এ কে মনিনা এপ্রিলদা শিখিবদগী মথৌ তারকখিবনি। ১৯৬৫তগী হৌনা কে মনিনা কনষ্টিট্যুয়েন্সি অসিগী মীহুৎ এম এল এ অদু ওইনা লৈরকখিবনি। মীখল অসিগীদমক কন্টেষ্ট তৌরিবা মীরেপশিংগী মনূংদা মিষ্টর মনিগী খ্বাইদগী নক্লবা জোস তোম পুল্লিকুন্নেল য়াওরি। মহাক্না কোংগ্রেসনা লূচিংবা য়ুনাইটেদ দেমোক্রেটিক ফ্রন্টকী মীরেপ অমা ওইনা কন্টেষ্ট তৌরি।

বি জে পিনা মখোয়গী কোত্তায়ম দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্ট এন হরি থাদোক্লি। লেফটনা নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি লূচিংবা মনি সি কাপ্পেনদা শৌগৎলি। মীয়ান্না অহোংবা অমা পান্নবনা হন্দক্কী মীখল অসি মহাক্না মায় পাক্কনি হায়না মিষ্টর কাপ্পেননা থাজবা ফোঙদোক্লি। মিষ্টর পুল্লিকুন্নেলনা ভোট য়ান্না হেন্না ফংদুনা মহাক্না মায় পাক্কনি হায়রি।

# মমা, মচানুপী ৪ গুহাদা তাওদুনা লৈরম্লে

*বুলধানা, সেপ্টেম্বর ২৩(এজেন্সি)ঃ*
মহারাষ্ট্রগী বুলধানা দিষ্ট্রিক্টতা নুপী অমা অমসুং মহাক্কী মচানুপী ৪গী হকচাংশিং ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা গুহা অমদা তাওদুনা লৈরম্বা থেংনরে হায়না পুলিস ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্কী মচাশিং অদুগা লোয়ননা নুপী অদু অনকপদা লৈবা মখোয়গী ফার্মদা চৎকনি হায়দুনা ঙরাং নোংমাইজিংগী নুমিদাংৱাইরমদা মখোয়গী য়ুমদগী থোকখিবনি। মখোয় মেহেকার টহসিলগী মনূং চনবা মালেগাও খূঙ্গংদা লৈবনি।

অদুবু মখোয়না য়ুমদা হল্লকখিদবদগী ইমূংগী অতৈ মীওইশিং অমসুং অতৈ খূঞ্জাশিংগা লোয়ননা মফম অদুদা মখোয়বু থিখি। ঙসিগী নিংথৌকাবগী অয়ুক্তা উজৱালা বাবন ধোকে (৩৫) অমসুং মহাক্কী মচানুপীশিং বৈশ্নবি (৯), দুর্গা (৭), অরুসি (৪) অমসুং পাল্লবী (১)গী হকচাংশিং অদু খূন অদুগী মনাক্তা লৈবা গুহা অমগী মনূংদা ফংখি হায়না ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি।

মখোয়না তোংখিবা স্লিপরশিংসু গুহা অদুগী মনাক্তা লৈরমখি। থৌদোক অসি মখোয় পূন্না মতোমতা শিবগী কেস অমরা নৎত্রগা করিনো হায়বদু লেপ্পবা পুলিসনা হোৎনরি হায়না পুলিস ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি।

কোন্না হকচাংশিং অদু গুহা অদুদগী লৌখৎলে অমসুং পোষ্টমোর্টেমগীদমক গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল অমদা থাখ্রে হায়না জানেফাল পুলিস ষ্টেসনগী ইনচার্জ দিলিব মাতারামনা হায়খি।

খূঞ্জা খরনা ফোঙদোকপদা উজাৱালা ধোকেগী মপুরোইবা বাবন ধোকেসু হৌখিবা থা খরগী মমাঙদা হূ চাদুনা শিজবা ওইগনি চীংনবা মওং অমদা শিখিবনি হায়খি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-249**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | 8 | 9 | | | | 6 | 2 |
| | 1 | | 6 | | 7 | 9 | | |
| 2 | | 6 | | | 5 | | 1 | |
| | 8 | | 2 | 1 | | | 9 | |
| | | 2 | | 9 | 6 | | | 1 |
| | 5 | 1 | | 8 | | | | 4 |
| 8 | | | | 5 | | 1 | | 6 |
| 1 | | | | | | 8 | | 9 |
| | 6 | | 1 | | | 2 | | |

GAS TODAY
Ashangbi Indane, Sugnu
Booking : 27/07/19
Valid : 16/07/19
Stk : 612
Time : 09.00 to 11.00 a.m.

**সনা-সুদোকু - ২৪৯ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 5 | 2 | 8 | 4 | 3 | 7 | 9 | 6 |
| 9 | 4 | 6 | 7 | 2 | 1 | 5 | 3 | 8 |
| 3 | 7 | 8 | 5 | 9 | 6 | 2 | 4 | 1 |
| 2 | 8 | 4 | 9 | 3 | 5 | 6 | 1 | 7 |
| 6 | 9 | 5 | 4 | 1 | 7 | 3 | 8 | 2 |
| 7 | 3 | 1 | 2 | 6 | 8 | 4 | 5 | 9 |
| 5 | 6 | 9 | 1 | 7 | 4 | 8 | 2 | 3 |
| 4 | 1 | 7 | 3 | 8 | 2 | 9 | 6 | 5 |
| 8 | 2 | 3 | 6 | 5 | 9 | 1 | 7 | 4 |